কোন্থৌজম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফোইজিং অৱাং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ মীটিংদা এদ্যুকেসন অমসুং ফিশরিজগী মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেননা ৱা ঙাংবা

এল জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম কনবা মৈতৈনা অৱাং ৱাবগাইগী খোঙহাম্পাৎ খুনৌ অমদি কাচি খুলগী য়ুমথোঙশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখিবা

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা চৈথেং ফংলবা খুরাই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা হাওতালদা লৈবা ইমুংশিংদা সোসল ৱার্কর খাগোকপম খম্বনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখিবা

মশাগী অনাবনা মরম ওইরগা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লৈরক্লবা থোংজু এ সীগী মীওই মরিদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎকী লোয়নবী থোঙাম ওংবী জুনরৈৱোননা হ্বিল চেয়র অমদি শেলগী মতেং পীখিবা

সী ঐচ ইঙোবীদা শেলগী মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): লৈবাক তরেৎ সাইকল থৌদুনা ঈং-তপ্পা (পিছ)গী পাউজেল পুদুনা চৎলুরবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাপম ময়াই লৈকায়দগী ইঙোবী চিংথাম, অপোকপা সী ঐচ ইঙোচা হিংনবগী লানফম মায়োক্লনবা থবক ওইনা য়েন-ঙানু লোইদুনা হোৎনরিবা অসিবু পূক্লিং থৌগৎতুনা খরা হেন্না শেন্থোক লৈনবা হায়দুনা লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামনা লুপা লিশিং ৫০ খুৎশিন্নখিবদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা), লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, এক্স-মিনিষ্টর করাম শ্যাম মণিপুরগী সাইক্লিষ্টশিংদা পূক্লিং থৌগৎপীবা মীশক অমনি। সাইকল থৌবনা হকচাং ফহল্লি। নুংশিৎ-নুংশা শেংহল্লি অমদি ইকনমি ওই হায়বা মীয়ামদা সাইকল থৌদুনা পাউজেল পীবা মীশক অমসু ওইরি হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুঙৌ লিটর ১৭১গা কোন্ননা অমা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তাবা মতমদা তেরা সাপম লৈকায়দা লৈবা য়ুম অমদা ৱেইদ চখৎবদা মীওই অমা য়ুঙৌ লিটর ১৭১গা কোন্ননা ফারে। মীওই অদুগী য়ুমদগী ফাগৎখিবা য়ুঙৌশিং অদুদি প্লাষ্টিক্কা পেক তৌরবা লিটর ৯৭, হাল্ফ বট্টল ১০০, ৭৫০ এম এলগী বট্টল ১৪, ফুল বট্টল ১৪গা কোন্ননা ফাগৎখি হায়রি। য়ুঙৌগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু মখা তানা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা লম্ফেলদা লৈবা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এগজিক্যুটিভ মীটিং

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ মীটিং কোন্থৌজম এ সীগী মনুংদা লৈবা ফোইজিং অৱাং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, এম এল এ হৈখাম দিঙ্গো, এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বস, সী ঐচ চিদানন্দ, জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দ মৈতৈ, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ ফোনি মৈতৈ, পার্টিগী স্পোক্সপর্সনশিং, এদভাইজরশিং, তোঙান-তোঙানবা মন্দল অমদি মোর্চাগী প্রসিদেন্টশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): থোংজু এ সীগী মনুংদা লৈবা অৱাবা মায়োক্লরিবশিংদা তেংবাঙবগী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসিসু এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী লোয়নবী থোঙাম ওংবী জুনরৈৱোননা অনাবনা মরম ওইদুনা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লাক্লবা মীওই মরিদা হ্বিল চেয়র অমসুং শেলগী মতেং পাঙখ্রে। ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী লোয়নবী জুনরৈৱোননা বাশিখোং অমসুং খা নিঙোমথোংদা লৈবা মীওই অনীগী য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা হ্বিল চেয়র অমমম খুদোল তমখি। অদুগা খা নিঙোমথোং অমসুং বাশিখোং মৈরা ক্লবতা লৈবা মীওই অনীবুনা অনা-লায়েংদা মতেং ওইননবা শেলগী তেংবাঙ পীখি হায়রি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়ন্না চঙশিল্লকপা খোঙজংবু তাবীদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী সর্ভিস রুল অমসুং ইন্দিয়ন ভেটিরিনরি কাউন্সীল এক্ট, ১৯৮৪না য়ারবা ডা. চবুংবম নন্দকিশ্বরবু দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর ওইনা হাপ্লকপগীদমক মণিপুর লৈঙাকপু য়ুনিয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেন্দর্দ ক্যু কোভিদ-১৯ এ জি টেষ্ট কিট ইল্লিগেল ওইনা য়োন্দুনা লৈরে : অকোম লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা ঙরাং মীওই ৮৩৯ পোজিটিভ ওইরগা ১২ শিখিবা অদুগা অপূনবা শিখিবা মশীংনা ১২৪১ অমদি অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীংনা ৭৫,১৮০ য়ৌখ্রে। মরক অসিদা লমদমসিদা ফার্মাসি অমদি ষ্টোকিষ্ট তৌরিবশিংনা আই সী এম আরনা পর্সনেল ওইনা শীজিন্নবগী এপ্রুভসু তৌদবা হায়বদি প্রোফেসনল অমদি হেল্থ ক্যেরগীদমক শীজিন্নগদবা কিট হায়বদি ষ্টেন্দর্দ ক্যু কোভিদ-১৯ এ জি টেষ্টকী অমদি মান্নবা কিটশিং ইল্লিগেল ওইনা ব্লেক মার্কেটতা ফোংনা রিটেলদা য়োন্দুনা লৈরে হায়না অকোম লূপ কংলৈপাক্কী জে ইন্ট সেক্রেটরি টি ঐচ বালেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অকোম লূপ কংলৈপাক্লা ঙরাং মফম খরদা কিটশিং অসি লৈবা চৎলুবদা কিটশিং অসি ফোংনা য়োল্লম্বা থেংনরক্লে। মতাংসিদা অকোম লূপ কংলৈপাক্লা হায়জনিংলিবা ৱাফমদি রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট কিট অসি পল্লিক্লা করম হায়না শীজিন্নরমগনি, ইশানা টেষ্ট তৌজবদা হৈতবনা মরম ওইরগা ফোলস নেগেটিভ ওইবগী চান্স য়াম্না ৱাংই। ফোলস নেগেটিভ ওইরবদি ফোলস এলার্ম পীদুনা নেগেটিভ ওইরে মতাগুম কোভিদ-১৯ শন্দোরক্ল বা য়াম্না চাউরবা মরম ওইগনি। পোজিটিভ ওইরগদি রিপোর্টিং তৌদবনা মরম ওইরগা মণিপুর লৈঙাক্কী দেটোদা য়াম্না অশোয়বা অমদি শোয়দনা লাক্কনি। পোজিটিভ ওইরগদি টেষ্ট তৌখিবগী কিটসি করম হায়না কদায়দা দিস্পোজ তৌগনি। মসিনা অমুক কোভিদ-১৯ শন্দোরক্লবা অচৌবা মরম ওইগনি।

অসুক কুইনা লোকদাউন তৌরবা ফাওবদা কোভিদ-১৯না নাবগী অমদি শিবগী চাংসু হন্থরকপা লৈত্রি। চীফ মিনিষ্টর অমদি কোভিদ-১৯ ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনা পেন্দমিক মতম অসিদা অসুক ৱানা শিবা, চঙবা খঙদনা হোৎনরিবা মতম অসিদা ফার্মাসি খরা অমদি দাইগ্নোষ্টিক হোল্ডসেল্লরশিংনা ইল্লিগেল ওইনা টেষ্ট কিট য়োল্লিবা অসি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫কী মখাদা অকনবা চৈরাক ফংফম থোক্তবরা। সেন্ট্রেল টিম ওইনা এদিসনল দি দি জি অমদি ঈ এম আর দিরেক্টর ডা. এল স্বাষ্টি চরন মণিপুর ভিজিট তৌবা মতমদা ইল্লিগেল টেষ্টিং কিট সেল তৌরিবশিং অসি ষ্ট্রিক এক্সন লৌবীননবা ষ্টেট লৈঙাক্তা হায়রম্বা লৈখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা কন্না হোৎনবীদুনা মীয়ামদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পবা অমদি টেষ্ট তৌথোক্লবা কন্না লাউরিঙৈ চৈরক অসিদা অসুম্না দেটা এন্ট্রিসু তৌরোইদবা, অন-ক্বালিফাই, অন-প্রোফেসনলশিং অসিনা কিট শীজিন্নদুনা টেষ্ট তৌবনা মরম ওইরগা কান্দা কনানা কোভিদ পোজিটিভনো, কনানা কোভিদ নেগেটিভনো খঙদ্রবদি পুল্লপ শিমিন্নবগী ফীভম লাক্কদৌরে। কোভিদ-১৯ মণিপুরদা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবা অসি ইল্লিগেল ওইনা টেষ্ট কিট য়োল্লিবা অসিনসু অচৌবা ফেক্টর ওইগনি। মরম অসিনা য়াম্না লুরবা তাঙ্কক অসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

‘মতম চানা পীথোকপীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): চৎলিবা থা অসিদা লেবর কার্দ হোল্ডরশিংদা কোভিদ-১৯গী মতেং ওইননবা লেবর দিপার্টমেন্টনা লুপা লিশিং অমমম পীগনি হায়দুনা মীদিয়াগী থোঙদা খঙহল্লক্লি। অদুগা মথৌ তাবা চে-চাংশিং ওনলাইনগী খুথাংদা সবমিট তৌহনখি। মসিদা কনাগুম্বা চে-চাং শুনা থাবসু য়াওই, শুদবসু য়াওই। লোয়ননা রিসিপ্ট অপদেসন ওইদবা য়াম্না থেংনখিবনা মরম ওইরগা শেল অয়াম্বা ফংনদে। রেজিষ্টরিং ওফিসরগী মনাক্তা কনাগুম্বা কার্দ হোল্ডরশিংনা রিসিপ্ট ককপা লাকপা মতমদা মতেং পাংবীয়ু। মরমদি কোভিদ-১৯না অৱাবা চৈথেং পীরবা মতম অসিদা লেবর ওফিসতা চৎপদা ট্রান্সপোর্টকী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। কার্দ হোল্ডরশিং অসি নোংমগী শুজ-নোমজরগা শেল তানবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা দিপার্টমেন্টনসু মতম চানা হায়রিবা শেনফম অসি পীবীয়ু। লোয়ননা কুমজা ২০১৬-১৭কী স্কোলারশিপকী শেনফম পীথোক্তনা লৈরিবা অসিসু পীথোকপীয়ু হায়না মণিপুর শিলং লৌমী লূপকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রোদ সাইদ ভেন্দর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না শাথিনা শোকহল্লবা নোংমগী শুর-নোল্লগা চাবা ষ্ট্রিট ভেন্দর য়াওনা অন-ওর্গনাইজ সেক্তরশিংদা থবক শুজবা শিন্নীশিংগী ইমুং-মনুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ৫/৫ মতেং পাঙবীরগনি হায়বসি তাবদা রোদ সাইদ ভেন্দর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলনা হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ কিরনমালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হন্দক কোভিদ-১৯না খম থেংনা ৱারবা শাথিরবা তাঞ্জা অসিদা শুফম লৈতবা অমদি য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদবা অসিদা মণিপুরগী ওইনা ষ্ট্রিট ভেন্দর লিশিং ২০গী মথক্তা অৱাবা মায়োক্লহল্লি। কোভিদ পোজিটিভ ওইবা কয়া য়াওদুনা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈখিবদগী থোঙ্গাল ফাওবা থোকপা য়াদবদগী চাক খক থোংলগা এস্সাং থোংদবগী রিপোর্ট কয়া লৈখি। লায়েংবা ঙমদবদগী মচা কায়নবা কয়াসু য়াওখি। পোৎ য়োনবনা মতম শাংনা শিনফম ওইজবা শিন্নীশিং অসিদদি অতৈ থবক হেক শুবা হায়বসি অৱাবা অমদি ওইরি। মরম অদুনা হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্ট্রিট ভেন্দর য়াওনা শিন্নী কয়াদা মতেং পাঙবীগনি হায়বসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদসু অচৌবা মতেং ওইরগনি। মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর অত্মা নির্ভর নিধি স্কিমগী মখাদা ওনলাইনদা রেজিষ্টর তৌখ্রবা ষ্ট্রিট ভেন্দরনি হায়বগী লেটর ওফ রেকমেন্দেসন ফংখ্রবশিংদা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা অসি ফংহনবীনবা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা শাশিন্নবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা লন্নাই ফুরিৎখাউদ্গী পীখিবা তারবদি লৈঙাক্লা শিন্নীশিংদা পীগদৌরিবা মতেং অসি তায়ওন্ননা চৎখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা ফাওই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পাক শন্না টেষ্ট অমসুং ট্রেসিং তৌবগী থবক হেন্না খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎপগী মথৌ তারি : পি টি এফ সী-১৯

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগা মখা তানা পাক শন্না টেষ্ট অমসুং ট্রেসিং তৌবগী থবক হেন্না খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎপগী মথৌ তারি হায়না পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ (পি টি এফ সী-১৯)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পি টি এফ সী-১৯ মণিপুরগী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী য়াম্না হেন্না খোঙজেল য়াঙনা শন্দোক্লনবা তোঙান-তোঙানবা ভেরিয়ন্টশিং, দেল্টানচিংবা মণিপুরদা য়ৌরকপগী মশীং য়ামখৎলকপা অসিদা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা টেক্নিকেল এক্সপার্টনচিংবিগী কম্মিটি শেমদুনা অহো-অরাক লৈতনবা হোৎনবীরি। ভেক্সিন কাপ্পগী থবকসু চঙশিনবীরি। মসি অফবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু ভেক্সিন কাপথোকপা খক্তনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইনা ইমপোর্টেন্টস পীরগা থবক পায়খৎপা, ৱা ঙাংবনচিংবা তৌরিবা অসিগী মরুমদা অহোবা অমদি লৈহৌরি। হান্নদগী হৌনা পায়খৎতুনা লাকপা টেষ্ট অমসুং ট্রেসিং তৌবগী থবক অসি সেকেন্দরি ওইনা নাথৈদুনা হুন্দোক্লম্বা য়ারোই। হৌজিকসু মখা তানা পাক শন্না টেষ্ট অমদি ট্রেসিং তৌবগী চাং অসি খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎপগী মথৌ তাবা লৈরি। ভেক্সিন কাপ্পা, টেষ্ট তৌবা অনীমক অসি খোঙহৌ অমদি খোঙজেল চপ মান্ননা চেনমিন্নবগী মথৌ তাই। ভেক্সিন কাপথোকপা মীসু মখা তানা টেষ্ট তৌথোকপগী মথৌ তাবা লৈ। মরমদি ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওই অমদা কোভিদনা চঙবা ঙমদে হায়বা লৈতে। য়াম্না হেন্না খুদোংথিগদবা, অশিবগী খয়াৎতগী খরদি ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বনি। কনাগুম্বা ভেক্সিনদি কাপথোক্লুরবা অদুগা পোজিটিভতি ওইবা নৎত্রগা ভেক্সিন কাপথোক্লুরবা মতুংদা পোজিটিভ ওইবা মীওই অমদগী অতোপ্পা মীওই অমদা কোভিদ শন্দোকপা ঙমদে হায়বগী ৱাফম লৈতে। অদুমকপু শন্দোকপা ঙম্মী হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ভেক্সিন কাপকেরা, কাপ্লোইগেরা টেষ্ট তৌথোক্তুনা ময়েক শেংনা খঙদোক্লগা ট্রিটমেন্ট তৌদুনা মফম খঙনা এস ও পি ঙাক্লা চেকশিন থৌরাং লৌদুনা থমগদবনি। মদু নৎত্রগদি ভেক্সিন কাপথোকপসু, কাপ্তুবসু কোভিদকী অনৌ-অনৌবা ষ্ট্রেনশিং অসিনা ঐখোয় মীয়ামগী মরক্তা ওমদুনা লৈবা তাবনি। মীওই অমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন অনীরক নাবা তারবদি মীওইদু মপাঙ্গল শোনবা মী ওইদুনা লৈ হায়রি। অদু ওইবা তারবদি মীশিং য়ামজদবা অপীকপা ইরমদম মণিপুরগী খুন্নাই অসি মতিং লৈতবা, শোন্দম-নাদম্বা মীওইবা খুন্নাই হায়বদু ওইবা তাবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয় মীওইবা খুন্নাইবু কঞ্জনবগীদমক পিপলস টাস্ক ফোর্সনা লৈঙাক্তা থমজ নিংবা ৱাফমদি টেষ্ট অমসুং ট্রেসিং তৌবগী থবকশিং তপথরোইদবনি। য়াম্না হেন্না খুম্মাং চাউশিন্না থবক পায়খৎপগী মথৌ তারি। টেষ্ট অমসুং ট্রেসিং তৌবগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপথোকপা অসি চপ মান্ননা পুন্না অকনবা থবক পায়খৎপগী মথৌ তাবা লৈরি।

হৌজিক টেষ্ট তৌবগী ইক্বিপমেন্টশিং মতিক চানা লৈরে। ভেক্সিনগী অৱাৎ-অপা লৈতনা মরাং কায়না লৈরে, অৱাৎপা অমত্তা লৈহল্লোই হায়না লৈঙাক্লা হায়রবনিনা কোভিদ-১৯গী থোরক্লিবা ভেরিয়ন্টশিং অসিনা লান্দারক্তুনা মীওইবদা শন্দারক্কদৌরিবা খোঙজেল অসিগা ঐখোয় মীওইবগী পুন্সি কঞ্জনবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিগা লমজেল তান্নবগী মথৌ তাই। কোভিদনা শন্দোরকপদগী হেন্না খোঙজেল য়াঙনা টেষ্ট অমসুং ভেক্সিন কাপথোকপগী মথৌ তারি। লৈঙাক্লা টেষ্ট অমসুং ট্রেসিং তৌবগী থবক সেকেন্দরি ওইনা উরকপগুম তৌরিবসি রিভিয়ু তৌহন্নিংই।

নাকল অমরোমদা, হৌজিক কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফীভম অসিগা মতাং মতম ইচা চাদনা জেনরেল এসেম্ব্লী ইলেক্সনগীদমক য়াম্না কন্না মায় ওনশিন্নরকপা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তনা হাউস কেম্পেয়ন ফাওবা চৎপা য়াওনরকপা অসি পিপলস টাস্ক ফোসকী মায়কৈদগী পূক্লিং থৌগৎতে। মসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। লৈঙাক অমগী মতম লোইরকপগী অনৌবা লৈঙাক্কীদমক তৌদবা যাদ্রবা ইলেক্সন তৌরবসু কোভিদকী লান্থেং মনুংদা পাঙথোকপা ইলেক্সনদি য়াম্না ষ্ট্রিক ওইবা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকহন্দুনা মীয়াম পুনবা য়াদবা অকনবা রুল অমা শেল্লগা পাঙথোকহনবীনবা আপীল তৌজরি। লৈঙাক্লা লৌরিবা ফিরেপ অহানবা প্রাইওরিটিদি মীয়াম কনবা হায়বা ৱাফম অসিনা ওইগনি হায়রিবা অসি থবক ওইনা পাঙথোকপদা হেন্না অকনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারি। লৈরক-খুল্লক, লৈকায়-লৈকায়দা দুকান ফল্লিবশিংনা ক্লা য়োনবদগী ক্লা চারিবশিংনা মফম চাদনা ক্লা মহি ওৎথোক্তুনা লায়না অসি শন্দারকপদা হেন্না মতেং পাংবা ওইনা থোক্তনবা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা য়েংশিনবীয়ু। পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী মায়কৈদগীসু মণিপুরদা ক্লা মনা, হিদাক মনা, জর্দানচিংবা পুশিল্লক্লিবা এজেন্টশিং অসি কনা-কনানো হায়বা থিদোক্তুনা ৱাখল তামিন্নবগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

এৱার্দকীদমক খল্লক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দেল্লীনা শীন্দুনা চহী অসিদা ন্যু দেল্লীগী রাজেন্দ্র ভবনদা পাঙথোক্কদবা ৩৫শুবা রাষ্ট্রিয়া সমরপন বিজয় দিবস থৌরমদা নোর্থ ইষ্ট বাইওগ্রাফি ফোরম (নেবফ)কী লাইফ টাইম মেম্বর ওইরিবা চরাংপাৎ ময়াই লৈকায়দগী কাংঙবম জাদু (জাদুমনি)দা ইন্দিয়ন এচিভর নেসনল এৱার্দ অমসুং ভারত রত্না ডা. ভিম রাও অম্বেদকর ইন্টরনেসনল এৱার্দ ২০২১ (ইন দি ফিল্ড ওফ হ্যুমেনিটি এন্দ সোসল ৱার্ক্স) অমদি বামোন কম্পু ময়াই লৈকায়দগী ইরেংবম শ্যামচান্দদা ভারত এক্সিলেন্স এৱার্দ (ইন দি ফিল্ড ওফ আর্ট এন্দ কলচর) পীননবা খল্লক্লে হায়না নোর্থ ইষ্ট বাইওগ্রাফি ফোরমগী ফাউন্দর চেয়রমেন কে বি ইঙারেম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম এ সীদগী কাংঙবম জাদু (জাদুমনি) অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী ইরেংবম শ্যামচান্দদা এৱার্দশিং অসি পীরগনি হায়না ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমীগী চেরোল অমনা ফোঙদোরকপবু নোর্থ ইষ্ট বাইওগ্রাফি ফোরমনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ফোরম অসিগী লাইফ মেম্বর অনীনা তুংগী পুন্সিদা লৈবাক খুন্নাইগী থাক্তা মতিং লৈনা থবক তৌবদা তাইবং মপুনা মতিক-ময়াই হেন্না হাপ্পীবা ওইরসনু। লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট ফোরমগী মায়কৈদগীসু য়াইফরোল পীজরি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ৬৬৭ ফ্লাইট ৫না ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পল্লম্বা মীওই নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৬৬৭ ঙসি ফ্লাইট ৫না ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুকপুং ৯ লোম তাবা মতমদা ইন্দিগো ৬ ঈ-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৬ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ১০.৫০ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৪ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটা, গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪৪ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

নুংথিল পুং ১.১০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৭১ পুদুনা ইমম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। লোয়ননা নুংথিল পুং ২.৪৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ২০৪ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। লোয়ননা ঙসি ফ্লাইট ৫ অসিনা ইম্ফালদগী গুৱাহাতি, দেল্লী, দিমাপুর অমদি কোলকাটাদা চৎখিগদবা মীওই ৫৬৯ পুদুনা ইম্ফাল থাদোকখি হায়রি।

কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা শুফম-নোম্ফম খঙদনা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা মতম শাংনা লৈরক্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা খম থেংনা মায়োক্লরিবা লমশাং এ সীগী য়ুমথোঙশিংদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙবগী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসিসু এল জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম কনবা মৈতৈনা অৱাং ৱাবগাইগী খোঙহাম্পাৎ খুনৌ অমদি কাচি খুলগী য়ুমথোঙশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা মফম অদুগী ক্লবশিং অমদি এল জে পি বুথ লেভেল কম্মিটিশিংগা লোয়ননা খুৎশম্নরগা য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা এ সী অসিদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্তুনা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোক্লবশিংদসু চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপীরকপগীদমক মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা খুন্দ্রাকপম কনবা মৈতৈবু তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ওক্সু নিংথেমচা খুলদা মাস টেষ্টিং তৌবদা মীওই ২৪ কোভিদ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওক্সু নিংথেমচা খুলদা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং তৌবদা মীওই ২৪ কোভিদ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

নোঙ্গ্রেন চিংনুংখোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম বিলাশিনিগী মীৎয়েং মখাদা ওক্সু নিংথেমচা য়ুথ ক্লবনা চীফ মেদিকেল ওফিসর, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্নদুনা ঙসি ওক্সু নিংথেমচা খুলদা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি। সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী ষ্টাফশিংনা পাঙথোকখিবা মাস টেষ্টিং অদুদা ওক্সু নিংথেমচা খুল অমদি অকোয়বদা লৈবা মীওই ২০০ রোম টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৪ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি হায়রি।

প্রধান এম বিলাশিনিনা ফোঙদোকখিবদা, ওক্সু নিংথেমচা খুলদা লৈরিবা মীওইশিং পাক শন্না টেষ্টিং তৌরবা মতুংদা কোভিদকী ভেক্সিনেসন চথুননবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী মাস টেষ্টিং অসি পাঙথোকপনি। ঙসি পুন্না মীওই ২০০ রোম টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৪ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। লৈঙাক্লা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা টেষ্ট তৌননবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি টেষ্ট অসি পাঙথোকপদা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মখা তানসু টেষ্ট তৌননবা হোৎনখিগনি। মাস টেষ্টিং তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সী এম ও, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি দি সী ইম্ফাল ইষ্টপুসু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। লম্লাই এ সীগী মফম অমদা অসুক য়াম্না পোজিটিভ ওইবা মীওই লৈরমগনি হায়বসি টেষ্ট তৌরবা মতমদদা খঙবনি। টেষ্ট তৌথোক্তবা মফমদা পোজিটিভ ওইবা লৈরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অসিনা মীয়াম্নসু মতম চানা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু হায়না মহাক্লা আপীল তৌরক্লি।

এপ্লায় তৌরক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): দিফরেন্টলি এবল্ড সেদ্যুল ট্রাইব ইন্দিভিজ্যুএলশিংগী ওইনা হ্বিল চেয়র অমদি হিয়ারিং এইদ কয়া ফ্রীদা য়েন্থোক্লনবা লৈরি। মরম অসিনা কনাগুম্বা ইন্দিভিজ্যুএলশিং হায়রিবা এপ্লায়েন্সশিং অসি ফংননবগীদমক অইবা চেরোল পীশিন্দুনা এপ্লায় তৌবা য়াগনি হায়না ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী দিরেক্টর সী অর্থর ৱোরচুইৱোনা থোকপা নোটিশ অমনা খঙহল্লক্লি।

নোটিশ অদুনা হায়, দিফরেন্টলি এবল্ড সেদ্যুল ট্রাইব ইন্দিভিজ্যুএলশিংনা এপ্লিকেসন অদু ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী দিরেক্টরদা এড্রেস তৌদুনা পীশিল্লক্কদবনি। এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা অদুদা এপ্লিকান্ট অদুগী ফোটো অনী য়াওরক্কদবনি। হ্বিল চেয়রগী ওইনা ফুল ফোটো ওইগদবনি। অদুগা হিয়ারিং এইদকীনা পাসপোর্ট ওইগদবনি। এপ্লায়েন্স অসিগী মথৌ তাবগীদমক ডোক্তরনা পীবা রেকমেন্দেসন, কম্পিটেন্ট ওথোরিটিনা পীবা ট্রাইব সার্টিফিকেট, ইনকম সার্টিফিকেট অমদি আধার কার্দ জেরোক্স কোপীসু য়াওহল্লকদবনি। হায়রিবা চে-চাংশিং অসি শুনা য়াওরবা এপ্লিকেসন অদু ওফিস অৱরগী মতমদা সী এম ও/ ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী ওফিসতা পীশিল্লক্কদবনি। এপ্লিকেসন পীশিল্লকপগী অরোইবা মতমনা জুলাই ৩১ ওইগনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

প্রো. মোহেন্দ্র অমসুং নবা ভোল্যুমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট প্রোফেসর য়ুম্নাম মোহেন্দ্র অমসুং মণিপুরগী শক্লাইরবা শৈশকপা মীয়াম্না নবা ভোল্যুম হায়রগা শকখঙনরিবা নিংথৌজম নবচন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

দেসামগী পল্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি এস ঐচ রিশিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্দুনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা মৈতৈ/মীতৈবু য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইবগী রাইট অদু পীদুনা ফংহনগদবনি, শকখঙগদবনি হায়না মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখিবা সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট প্রোফেসর য়ুম্নাম মোহেন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা দেসামনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অচৌবা অহাংবা অমদি মাঙজবা অমা ওইরগনি। মহাক্লা মৈতৈ/মীতৈবু তুংলমচৎকীদমক খন্দুনা সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিদা য়াওদুনা তৌরম্বা, লমজিং-লমতাক্লম্বা কয়াবু মীয়াম্না কাউবা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী য়ামজরবসু অহলগী মতম য়াম্না ওইরবা ফাওবা মণিপুর মীয়ামগীদমক থৌদাং কয়া য়ারম্বা সী পি আই শীংজমৈ লোকেলগী মেম্বর ওইবীরম্বা প্রোফেসর য়ুম্নাম মোহেন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি। প্রোফেসর মোহেন্দ্রনা লৈখিদবা অসিদা ভর্চ্যুএল ওইবা কোন্দোলেন্স মীফম অমা ফমদুনা মহাক্লা হিংলিঙৈদা পাঙথোক্লম্বা থৌদাংশিং নীংশিংদুনা শীংথাখি। মহাক মণিপুরদা লৈবা কোলেজ কয়াগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বদা নত্তনা কোলেজ দিভেলপমেন্ট ওফিসরসু ওইরমখি। মহাক মণিপুরগী মরূ হকপা হিষ্টোরিয়ন অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক)কী জেনরেল সেক্রেটরি এম ধনঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী মতম ঈশৈগী লেঙদ্রবা উজাও পামেলগুম লেপ্পীরম্বা, ঈশৈ পামজবা কনাগী, ঈশৈনা অৱা-নুংঙাই অনীমক্কী তায়নফম ওইজবা মীওই কয়াগী থম্মোয়বু উরুম পীবীরম্বা মীয়াম্না নবা ভোল্যুম হায়রগা খঙনবা শক্লাইরবা শৈশকপা নিংথৌজম নবচন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অম্মিককনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবা নবচন্দ্র অম্মিক্কী অহানবা জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা কুমজা ১৯৭৭-৭৮কী টর্মদা থৌ পুবীরম্মী। মহাক্লা মণিপুর মতম ঈশৈগী লমদা মুৎনাইদ্রবা খুদোল কয়া তম্বীরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুর ইমাগী তাঙলবা ফিজিগী মনি অমা মতম চুপ্পগী ওইনা মাঙজরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা পোত্থাজরুনবা অম্মিক্কী আর্টিষ্টশিংনা ভর্চ্যুএল ওইনা কোন্দোলেন্স মীফম অমা ফমদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু অম্মিক্লা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মণিপুরগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট মীয়াম্না নবা ভোল্যুম হায়রগা খঙনবা নিংথৌজম নবচন্দ্রনা লৈখিদবদা দি এম কোলেজ এল্যুমনাই এসোসিএসন্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবদা ওনলাইনগী খুথাংদা মিনিট অনী তুমীন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এম ইবোহলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জে দি য়ু মণিপুরগী মীহুৎ ২না পার্টিসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট উনদুনা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ৱারী শাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হংখানপাও তাইথুল অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম রোজিৎ এলিয়স বুল্লেট অনীনা লুচিংবা টিম অমনা পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা য়ুনিয়ন ষ্টীল মিনিষ্টর ওইনা নৌনা হাপ্লকখ্রবা রাম চন্দ্র প্রসাদকা উনদুনা ষ্টেট অসিগী কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অমদি কোভিদকী ওইরিবা ফীভমশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়াদা ৱারী শানখ্রে।

ন্যু দেল্লীদা লৈবা রাম চন্দ্র প্রসাদকী ওফিস ক্বার্টরদা উনবা অদুদা জে দি য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী রাম চন্দ্র প্রসাদনা নৌনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরকপগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্তুনা লেংয়ান খুদোল তমখি। তুংদা মীফম পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱা তানখি। উনবা অদুগী মতাংদা জে দি য়ু, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম রোজিৎ এলিয়স বুল্লেটনা, ঙসি পার্টিগী প্রসিদেন্টগা উনবা অসিদা লাক্কদৌরিবা মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। ইলেক্সন অসিদা জে দি য়ুনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা মীহুৎ ১৫ থাদোক্তুনা য়ামদ্রবদা এম এল এ ৮ দগী তাদনা কাহননবা অকনবা পাউতাক পীরক্লে। লোয়ননা মসিগীদমক মথৌ তাবা মতেংশিংসু নেসনল লিদরশিংনা পীরক্লগনি হায়না থাজবসু পীরক্লে।

অমরোমদা ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদকী মতাংদসু সেন্টরগী মায়কৈদগী অহেনবা মীৎয়েং চঙবীনবা নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম চন্দ্র প্রসাদতা হায়জবদা মহাক্কী মায়কৈদগী মথৌ তাবা মতেংশিং পাংলগনি। লোয়ননা কোভিদনা ফীভম শোকহল্লবা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন অসি খরদা ওইরবসু ফগৎহন্নবা অমদি কোভিদনা মরম ওইদুনা থবক শুফম-নোম্ফম লৈত্রিবা মীওইশিংবু থবক পীবা য়ানবা মহাক্লা পায়রিবা পোর্টফোলিও অসিনা তৌরকপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী এসেম্ব্লী মীখলগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শেম-শাবগী থবক হৌনখ্রবনি।